

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JULY 27, 2018 **PAGE 7**


*জর্মন ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা অহানবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম*

*ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী মরুওইবা ক্লব চেলসিদা নৌনা শরুক য়াখ্রবা হান্না ইংলেন্দ ফুটবোল টিমগী গোলকিপর ওইরম্লবা রোবার্ট গ্রিন*



## ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



*মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু মায়থিবা পীখিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম*

*কোলা লম্পুর, জুলাই ২৬ঃ*

নুমিৎ ২৭ কী এক্সপোজর টুর ওইনা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না চৎখিবা অদু ঙসি লোইশিনবা নুমিৎতা মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা এক্সপোজর টুর ওইনা চৎখিবা নুমিৎ ২৭ নি অদুদা চাইনা, থাইলেন্দ অমসুং মালেসিয়াগী ফুটবোল ক্লব অমদি লৈবাকশিং অসিগী চহী ১৬ মখাগী নেসনেল টিমগা মেটচ কয়ামরুম শান্নখি।

এক্সপোজর টুর অসিগী অরোইবা নুমিৎতা ঙসি ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা লৈবাক অসিগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমগা শান্নবদা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়া অমসুং মালেসিয়ানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না এটেক হেন্না তৌদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নবগী মিনট ২০ চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা রোহিট দানুনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনা যুম্বু মালেসিয়াগী টিম্বু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা রোহিট দানুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা পাস তৌরকখবা অদু টিমমেট গিভসন সিংহনা নীংথিনা কলেক্ত তৌরগা গোল তম্না কাওশিনদুনা পাঞ্জল অমগা চনশিনবা ঙমখিবদগী মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্বু ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৪ রোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবা অমদি মালেসিয়াগী মায়কৈদগীসু শোথখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রোহিট দানুনা দেঞ্জর এরিয়াদা পুশিল্লকখিবা বোল অমা গোল তম্না কাওশিনবদা মালেসিয়াগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা ইন্দিয়ানা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী কোচ ওইরিবা বিবিয়ানো ফর্নান্দেজনা নৌনা শান্নরোই অহুম শিন্দোক্তুনা মালেসিয়াগী মায়কৈদা এটেক তৌশিন্দুনা পাঞ্জল হেন্না চন্নবা হোৎনখি।

মেটচকী অপীবা মিনট ৯০ গী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাখি।

মেটচকী ইনজুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা পাঞ্জল অমা চনখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না মালেসিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অদুবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

## আয়রলেন্দনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা অহানবা টিম ওইখ্রে, স্পেনন্না সাউথ অফ্রিকাবু ৭–১ দা থোইখ্রে




*আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ইন্দিয়াগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*লন্দন, জুলাই ২৫ঃ*

আয়রলেন্দনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা পুলগী মকোক ওইদুনা ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখ্রে। অতোপ্পা পুলগী মেটচ অমদা স্পেনন্না সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'বি' গী মেটচ অমদা আয়রলেন্দনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা অহানবা টিম ওইনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

আয়রলেন্দগী টিম লন্দনদা চথরিবা হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহৌবা মেটচতা য়ুএসএবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু ইংলেন্দগা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

আয়রলেন্দনা শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা চথুরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই অন্না ও' ফ্লানাগানন্না পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু আয়রলেন্দগী শান্নরোইশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা থমখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীমক অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লম্বা তৌনরকখি। মেটচকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নখিদবদগী মেটচ অদু আয়রলেন্দনা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা টিম ওইখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা মখোয়গী অরোইবা লীগ মেটচ অদু থা অসিগী ২৯ দা য়ুএসএগা শান্নরগনি। ইন্দিয়ানা মেটচ অসি মায় পাক্লগা নুমিৎ অসিমক্তদা শান্নগদৌরিবা ইংলেন্দ অমসুং আয়রলেন্দনা শান্নগদৌরিবা মেটচ অদুদা ইংলেন্দ মায়থিবা নংলবদি ইন্দিয়া ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী খুদোংচাবা অমদি লৈরি।

পুল 'সি' গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্পেনন্না সাউথ অফ্রিকাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

স্পেনগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ২শুবা ৪৮শুবা মিনটতা লোরা রিয়েরানা পাঞ্জল অনী চনখি। স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই বর্টানা বোনাষ্ট্রিনা শান্নবগী ১১ অমসুং ৫৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। স্পেনগী অতোপ্পা শান্নরোই কারলোটা পেটচামেনা শান্নবগী ৩৭ অমসুং ৪২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চল্লবা মতুং টিমমেট কারোলা সালভাটেল্লানা শান্নবগী ৪৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা টিম অদুগী পাঞ্জল ৭ শুখিবনি।

সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা কারা লি বোটেসনা চনবা ঙমখি। সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই অনী শান্নবগী ১২অমদি ৪৮শুবা মিনটতা রেফরিনা তাম্থোকখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মেটচ অদু স্পেনন্না য়াম্না হেনবা মওংদা পাঞ্জল ৭–১ দা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা পুল 'বি' গী মেটচ অমদা য়ুম্বু ইংলেন্দ অমসুং য়ুএসএ পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ইংলেন্দগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা কেপ্টেন এলেক্স দান্সননা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। য়ুএসএগী ইক্কেলাইজর অদুনা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইরিন মাটসননা চনবা ঙমখি।

পুল 'সি' গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা জর্মনিনা আর্জেন্টিনাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইদুনা পোইন্ট ৬ ফংলগা মকোক্তা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী রিতু পর্নাদাস অমসুং ব্রুসালি গুম্মাদি রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী ইন্দিয়াগী রিতু (ওই) অমসুং ব্রিসালি*

*ভলাদিভোষ্টোক, জুলাই ২৬ঃ*

রুশিয়াগী সিটি ভলাদিভোষ্টোক্তা চথরিবা য়ুএস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী রিতু পর্নাদাস অমসুং ব্রুসালি গুম্মাদি নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী রিতু পর্নাদাসনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই মালেসিয়াগী য়িং য়িং লিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৩–২১, ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রিতুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই ৭শুবা সিদেদ মুগধা এগ্রেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৪, ২১–১৩ দা থোইরম্বী য়ুএসএগী আইরিস ৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী ব্রুসালি গুম্মাদিনা সাউথ কোরিয়াগী বায়োল লিম লিবু মিনট ২৪ চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১১, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ব্রুসালিনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা বেলজিয়মগী লিয়ানে টানবু ২১–১৭, ২১–১৭ দা থোইরম্বী মালেসিয়াগী শান্নরোই হো মেন মৈগা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিদা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সুবাঙ্কর দেনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই সিধার্থ প্রতাপ সিংহবু ২১–১১, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

সুবাঙ্কর দেনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগী ৱাং য়ুহাংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৯, ২১–১০ দা থোইরম্বা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী ব্লাদিমির মালকোভকা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই মিথুন মঞ্জুনাথনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা জপানগী কোজি নাইটোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৬, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী পাব্লো এবিয়ানবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১–১২, ১৪–২১, ২১–১৬ দা থোইরম্বা মালেসিয়াগী এস রামচন্দরনগা শান্নরগনি।

৮শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী সর্গে সিরান্টপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১১, ২১–৯ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী লুকা রেবরবু ২১–১৪, ২১–১৮ দা থোইরম্বা ইজরেলগী মিস্কা জিলবরমেনগা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র জোর্জ অমসুং সুল্কানা কানাদাগী জে টাম অমসুং ইংলেন্দগী ৱোংবু ২১–১২, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী আর কাপুর অমসুং কে গর্গনা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী পেয়র এ পানোভ অমসুং পি মাক্কোভিভাবু ২১–১০, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ৩শুবা সিদেদ পেয়র ওইখিবা ইন্দিয়াগী সৌরব শর্ম্মা অমসুং অনোস্কা পারিখনা রুশিয়াগী অরটেম সেরপিওনোভ অমসুং অনাষ্টেসিয়া পুষ্টিনস্কয়াবু ২১–৬, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

## স্পেনগী কোটিফ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদবা মীওই ২০ না শাবা ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র ফুটবোল টিম ঙরাং ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে



*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৬ঃ*

য়ুরোপ টুরগী মনুং চননা স্পেনদা ওগষ্ট ১ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কোটিফ টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুগদবা মীওইনা ২০ না শাবা ইন্দিয়াগী নুপীগী সেনিয়র ফুটবোল টিম ঙসি ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী পুৱারীদা হন্দক স্পেনদা চৎকদৌরিবা য়ুরোপ টুর অসিনা নুপীগী সেনিয়র ফুটবোল টিম্না য়ুরোপকী লৈবাক অমদা চৎপা অহানবা ওইরিবনি।

য়ুরোপকী এক্সপোজর টুর অসি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শিনখিবনি। মসিগী মরুওইবা মরমদি চহী অসিগী নবেম্বর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্বালিফায়রদা শরুক য়াদুনা ক্বালিফাই ওইননবা হোৎনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসি সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী মমাঙগী চহীগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। টিম অসিনা মথংগী সিজনগী সাফ ৱুমেন্স চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটলসু লৌবা ঙম্নবা হোৎনগদৌরি। টিম অসিনা অরোইবা ওইনা শান্নখিবা মেটচ ১৯ দা মেটচ অমত্তা মায়থিবা নংদনা লাক্লি।

য়ুরোপ টুর অসিনা হৌজিক–হৌজিক ওইরিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিমগী ষ্টেটস অসিদগী হেনগৎতুনা তুংদা পাঙথোরক্কদবা টুর্নামেন্টশিংদা অহেনবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লগনি হায়না টিম অসিগী হেদ কোচ ওইরিবা মেমোল রোক্কিনা ফোঙদোকখি।

য়ুরোপকী এক্সপোজর টুর অসি শিনবিখিবগীদমক মহাক্না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। টুর অসিদা অফ্রিকাগী লৈবাক মোরোকোগী নেসনেল ফুটবোল টিমগসু শান্নগনি।

ঙসি স্পেনগী কোটিফ টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াননবগীদমক ন্যু দিল্লি থাদোকখ্রবা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল শান্নরোই ২০ অদুদিঃ–

গোলকিপরদা ই পান্থোই চনু, অদিটি চৌহান অমসুং ও রোসনিনি। দিফেন্দরদা এল অসালাতা দেবী, মসিসা পান্না, টিঐচ উমাপতি দেবী, জবামনি টুদু, দালমিয়া চিব্বের, এনজি স্বিটি দেবীনি। মিড–ফিল্ডদা সঙ্গিতা বাসফোর, সঞ্জু, আই প্রামেশ্বরী দেবী, এম মনদাকিনি দেবী অমসুং ইন্দুমাথি কাথিরেসাননি।

ফোরৱার্দতা ৱাই কমলা দেবী, অঞ্জু টামাং, এন রতনবালা দেবী, এনজি বালা দেবী, দাংমৈ গ্রেস অমসুং আর সন্ধ্যা রাঙ্গানাথননি

## জুবেন্টস অমসুং লিভরপুল মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে

*ফিলাদেলফিয়া, ইষ্ট রুথরফোর্দ, জুলাই ২৬ঃ*

কু মজা ২০১৮ গী ইন্টরনেসনেল চেম্পিয়ন্স কপকী মেটচশিংদা ইটালিগী ক্লব জুবেন্টস অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব লিভরপুল মখোয়–মখোয়গী মেটচশিং মায় পাকখ্রে।

জুবেন্টসনা ঙসি ফিলাদেলফিয়াদা শান্নখিবা মেটচ অমদা জর্মনিগী চেম্পিয়ন ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকপু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

জুবেন্টসকী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৩২ অমসুং ৪০শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোই এন্দ্রিয়া ফাভিলিনা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।

ইষ্ট রুথরফোর্দতা ইংলেন্দগী ক্লব অনী লিভরপুল অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটিনা শান্নখিবা মেটচ অদু লিভরপুলনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা মেঞ্চেষ্টর সিটিবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

লিভরপুলগী পাঞ্জল অনী অদু শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সালানা অমা অদুগা টিম অদুগী শান্নরোই সাদিও মানেনা শান্নবগী ৯৪শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৭শুবা মিনটতা লেরোই অজিজ সানেনা চনখি।

## য়ুএসএগী জোন ইসনর অটলান্টা ওপন টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*অটলান্টা, জুলাই ২৬ঃ*

অহানবা সিদেদ শান্নরোই য়ুএসএগী জোন ইসনর অটলান্টা ওপন এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

য়ুএসএগী জোন ইসনরনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ দি মিনোরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী মিস্কা জ্বেরেভকা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ আর হরিসন অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ঐচ চুং লম্বা তৌনরগনি। হরিসনন্না অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভাকিয়াগী লেক্কোবু ২–৬, ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্বনি। অদুগা চুংনা য়ুএসএগী টি ফ্রিটজবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরমখি।

অতোপ্পা পাও অমদা জর্মনদা পাঙথোকপা জর্মন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে মিলমেনবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কেট লাক্তবদগী ৱাল্ক ওভর ফংদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবা চিলিগী এন জেরিগা লম্বা তৌনরগনি।

T OF SUB DEPUTY COLLECTOR